

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*অহুমশুবা টি–২০ মেটচতা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ তা চাওনা মায়থিবা পীদুনা আওট ওইদনা রন ৪০ লৌখিবী ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন জেমীমা রোদ্রিগ্বেজ*

*অহানবা ফুটবোল শান্নরোই অমা ওইনা হেটত্রিক ৯ লক চনবা ঙমখ্রবা পোর্টুগালগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো*

## মণিপুরগী অশালাতা দেৱী এ এফ সি প্লেয়র ওফ দি ইয়রগী নোমিনেট তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

মণিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই লোইতোংবম অশালাতা দেৱী এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন (এ এফ সি) গী প্লেয়র ওফ সি ইয়ারগী নোমিনেট তৌবদা য়াওখ্রে।

এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসনগী ঙসি লাওথোকখিবা নোমিনিগী লিষ্টতা মণিপুরগী নুপী ফুটবোল শান্নরোই লোইতোংবম অশালাতা দেৱীগী মমিংসু য়াওরকখিবনি। নোমিনি লিষ্ট অসিদা চাইনাগী শান্নরোই লি য়িং অমসুং জপানগী সাকী কুমাগিসু য়াওরি।

ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোল টিম অশালতানা লুচিংদুনা ২০২০ ওলেম্পিক ক্বালিফায়রগী অনীশুবা রাউন্দ ফাওবা য়ৌহনবা ঙমখি। অদুগা কুমজা ২০১৯ সাফ চেম্পিয়ন্সিপকী টাইটলসু মহাক্কী লুচিং মখাদা লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, লোইতোংবম অশালতা দেৱী ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) কী ৱুমেন’স প্লেয়র ওফ দি ইয়র ২০১৮ / ১৯ দা ভোট তৌদুনা খনখিবনি।

মণিপুরগী ফুটবোল শান্নরোই লোইতোংবম অশালতা দেৱী ইনিদয়াগী নুপী ফুটবোল ক্লব সেতু এফ সিদা শরুক য়াদুনা ইন্দিয়ান ৱুমেন’স লীগকী টাইটলসু লৌবা ঙমখিবনি।

অশালতা দেৱী কুমজা ২০১২ দগী ইন্দিয়াগী নেসনেল ফুটবোল টিমদা শরুক য়াবা হৌরকখিবনি। মহাক হৌজিক ফাওবদা ইন্টরনেসনেল মেটচ ৩৭ শান্নবদা গোল ৪ চনবা ঙমখ্রে।

মহাক্না ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা সাউথ এসিয়ান গেমসকী কুমজা ২০১০ অমসুং ২০১৬ কী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি। ইনিদয়ানা কুমজা ২০১২, ২০১৪, ২০১৬–১৭ অমসুং ২০১৯ দা সাফকী টাইটল লৌবদা অশালাতা দেৱীসু শরুক য়াখি।



## ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না সেরিজ লৌখ্রে

*প্রোভিদেন্স, নবেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিম্না ৱেষ্ট ইন্দিজগা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অহুমশুবা টি–২০ মেটচতা ইনিদয়ানা য়ুম্বু ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা মেটচ ৫ গী সেরিজ ৩–০ দা লৌখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌরকখি। ৱেষ্টগী ইন্নিংস অদু য়াম্না ফিভম শোকখিবদগী ওভর ২০ শান্নবদা ৱিকেট ৭ আওট ওইরগা শুপ্নগী রন ৫৯ লৌবা ঙমখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসৱুমেন চিনেল্লি হেনরিনা রন ১১ লৌখিবা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লর রাধা যাদব অমসুং দিপ্তি শর্ম্মনা ৱেষ্ট ইন্দিজগী ৱিকেট ২ / ২ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ৬০ লৌবগী মথৌ তাখিবা অদু ১৭শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ আওট ওইরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অসি ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিজবু ৱিকেট ৭ তা থোইদুনা সেরিজ মাঙজৌননা লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী বেট্টিংদা জেমিমাহ রোদ্রিগ্বেনা আওট ওইদনা রন ৪০ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি। ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লর হেলি মেথ্যুনা ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন ২ আওট তাহনবা ঙমখি।

## ‘শিরবা শান্নরোই অমদা পীবা কাউঙম্লরোইদবা ওলেম্পিক মেডল’

পোক্লবদি শিবা হায়বসি থৱাই পানবা জীবশিংগী মচৎনি হায়জরবসু থৱাই পানবা জীব অমত্তনা শিবা পামদে, শিবা য়াম্না কিনৈ। শিবা কি, পামদে হায়রবসু মীওইবা মরম অমা নৎত্রগা মরম অমনা শিবা নাই, মসি শিবগী মতম য়ৌরক্তুনা শিবনি হায়না অদুমক হায়নৈ কনাগুম্বশিংনদি। অদুবু শিবগী মতম হায়রিবসিমদি কনামত্তনা মাঙজৌননা শিবগী মতম পুংফম খঙদে। মতম খঙদবা পুংফম খঙদবা শিবা অসিবু শিবসিদা মনুং মতম চাদনা মরম চাদনা শি হায়বা ৱাখল্লোন অমা লৈদুনা হিংহৌরিবা লৈহৌরিবশিংদা থম্মোই শোক্লিংঙাই ওইবা চৈথেং কয়া অমা পীরম্লগা শিখিবা হায়নবা ৱারী কয়ানি। শিখিবশিংগী মনুংদা পৃথিবীগী ওইনা শান্ন–খোৎন্নবগী খ্বাইদগী চাওবা হরাও কুম্মৈগী থৌরমনি হায়রিবা চহী মরি–মরি লৈরগা পাঙথোক্লিবা ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্লিঙৈ মনুংদা তমথিনা হাৎপিখিবা অমদি শোয়বদগী শিখিবা লোয়নননা ওলেম্পিক গেমসকা মরী লৈনবা থৌরমদা শিখিবা কয়াগী থৌদোক নীংশিংবা য়াই, খরা খঙমিন্নবা য়াই ২০২০, টোকিও ওলেম্পিক গেমস পাঙথোক্কদবা মতম নকশিল্লকপকানসিদা।

মনুং মতম চাদনা শিবা, মরম চাদনা শিবা হায়বসি অসি ওইবা তাই। মুদুদি। কনানবু নুংঙাইগনি ওলেম্পিক গেমস শরুক য়ারগনি, মেডল লৌরগনি হায়না লাক্লগা শিবা! কনানবু পেনগনি তগৎ তগৎ ইকন কন্না শান্নবা য়েংগনি হায়না চৎখ্রগা শিবগী পাওতাবা, পূম্নমক ঈশ্বরনা তম্বনি হায়বা তারে। শান্নরোই অমগী পূন্সিদা ওলেম্পিক গেমস অমুক্তং শরুক য়াবা ঙম্বা হায়বসি লাইনিংনি অদুগা শান্নববু তাকপী তম্বীরিবা কোচ অমগী মঙলানসু মখোয়না তাকপী তম্বীবা শান্নরোই অমনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াহনবা ঙম্বা লোয়নননা মেডল পুরকপা ঙম্বা হায়বসিনি। পূম্নমক্না হরাওনা লাকপা পূম্নমক্না হরাওনা হনখিবা হায়বসিনা য়ুম্বু ওইরিবা লৈবাক্কী পামজবা নিংজবনি। অদুবু মীনা নিংবনা অমা লাইনা তম্বনা অমা হায়বসিসু হেক্তা থোক্তবা নত্তে।

কাওঙম্লরোইদবা ওলেম্পিক্কী থৌদোক কয়াগী ইতিহাসকী লমাইদা নুংঙাইবা কয়াগী নত্তবা নুংঙাইতবগী মীৎলু পীরাংতনা থনখিবা মীৎকুপ অমগী থৌদোক অমা নীংশিংবা তারবদি পোকমিন্নবা মচিন মনাও অনীনা পূন্না ওলেম্পিক গেমস শরুক য়াবা লাক্লগা অমনা অশিবগী খয়াৎতা তাখিবা অমনা ওলেম্পিক গোল্ড মেডল ফংখিবগী ৱারীসিনি। 1948, লন্দন ওলেম্পিক শরুক য়াবা লাকখিবনি হরাও তয়াম্বগা লোয়নননা Zechoslovakia লৈবাকসু। য়াওরকখি ৱুমেন জিমনাষ্টিক্স টিমদা হরাও মাইথোং মকা লাম্না Eliska Misakova লোয়নননা সিষ্টর Miloslava অনীসু। ওলেম্পিক শরুক য়াবগী ফংবা অমদি মেডল লৌবা ঙমগনি হায়বা অশাদা নুংঙাইনা লাকখিবা Eliska Misakova খঙহৌদনা নারকখি, তমথিবা লায়না ওইরমখি, ওলেম্পিক গেমসনা হৌরবকান্দা। 1948 লন্দন ওলেম্পিক গেমস অরোইবা নুমিৎকী ফিরাল থুপচিনবা মতমদা Eliska Misakova সু পূন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি। কয়াদা থম্মোই শোক্লিংঙাই ওইখ্রবা থৌদোক্লো শিগে হায়না লাকপা নৎতে মেডল লৌগে হায়না লাকখিবা শান্নরোই অমদা তাখিবা লাইবক থিরবা থৌদোক। মাগী Sister Miloslava গোল্ড মেডল ফংবগী নুংঙাইরবা মীৎকুপ কায়নবগী পীরাংগা লোয়নননা অমম্বা মীৎকুপ ওইখি। Zechoslovakia লৈবাক অমদি London ওলেম্পিক কম্মিটিনা মানা ওলেম্পিক শরুক য়াবা ঙম্বা ফাওবগী হোৎনরকখিবা থৌনাবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা ওলেম্পিক মেডল অমদি থৱাই য়াওদ্রবা শিরবা মাগী মফমদা খুদোল তমদুনা কৎখি। মসিনা ঙসিফাওবদা শিরবা শান্নরোই অমদা অমদা পীবা মেডল ওইরি ওলেম্পিক্কী ইতিহাসতা।

লৈরিবা নুংঙাইতবা পেন্দবা থৌদোক্কী ৱারী কয়াগী মনুংদা ওলেম্পিক ক্বালিফায়িং ফুটবোল মেটচ Argentina Vs Peru গী থৌদোক। পৃথিবীগী মীয়াম্না খঙনরি "Lima Football disaster, May 24, 1964" হায়না। হায়রিবা নুমিৎ অসিদা পেরুগী কোনুং লিমা সহরদা লৈবা Estadio Nacional (Stadium) অসিদা থোকখিবা থৌদোক অসিনা ফুটবোল শান্নবগা মরী লৈনবা ইতিহাসতা খ্বাইদগী লন থুম মাঙবা, অমদি থৱাই মশীং খ্বাইদগী মাঙবা থৌদোক অমা ওইরি। অসুক য়াম্না তমথিরবা থৌদোক অসিগী মরু হৌরকফম ওইবদি 1964, টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী পেরুনা য়ুম্বু ওইদুনা আরজেন্টিনাগা শান্নবসিদা আরজেন্টিনানা 1-0 দা লিদ তৌদুনা লৈরিঙৈ শান্নবগী মতম লোইগদবা মিনট তরুক মতম লৈরিঙৈসিদা পেরুনা ইক্বেলাইজর ওইবা য়াবা গোল অমা উরুগেয়ান রেফরি Angel Eduardo Pazos না গোল পীদবদগী পেরুগী সপোর্টশিংনা হৌরকখিবা ইরাংনা ওইখিবনি। থৌদোক অসিদা মীওই 328 কী থৱাই মাঙখি অদুগা মীওই 500 গী মথক্তা অশোক অপন নংখি, মদুগী মনুংদা কয়া অমনা শোইনাইহৌখি। শান্নবগা মরী লৈনবদা খ্বাইদগী হেন্না ফৎতবা থৌদোক অসি 1964 টোকিও ওলেম্পিক পাঙথোকত্রিঙৈ মাঙজৌননা থোকখিবা থৌদোক্লি, মসিবু নৌহৌনা নীংশিংলগা হন্দক অমুক 2020 দা টোকিও ওলেম্পিক অসি পাঙথোকলমদাই মতম অসিদা খ্বাইদগী হেন্না ফৎতবা থৌদোক অসি থোক্তনবা ঈশ্বরগী মফমদা খুরুমসি।

ওলেম্পিক গেমসকী ইতিহাসতা য়াম্না পেন্দবা থৌদোক অমা হায়বা তারবদি ওলেম্পিক্কী অমম্বা নুমিৎ হায়না খঙনরিবা 1972, Munich Olympics Games অসিনি। অচান মীরাই নাইদবা জাৎ বিজাৎ কুচুগী খেন্নবা লৈতবা

**এল. কালা উরিপোক**

শেংলবা ওলেম্পিক গেমসকী মচৎতা চমজরবা শান্নরোইশিংবু খুৎলাই পায়বা টেরোরিষ্ট কাঙবুনা মখোয়গী খুদোংচাবা লৌনবা ফংনবা হোৎনবদা মশা মউ ফখ্রবা শান্নরোই মঙা অমদি তোঙান–তোঙানবা মশান্নগী কোচ মঙা অমসুং রেফরি অমা পুন্না তরামাথোই থৱাই মাঙখিবা অসিনি। থৌদোকসিদা শিখিববুদি জরমন পুলিস ওফিসার অমা য়াওনা টেরোরিষ্ট মঙা অমসু য়াওখি। থৌদোক অসি Sept. 5-6, 1972 গী লোন্নবা অহিংদগী অয়ুক্তা লোইশিনখিবা থৌদোক্লি। Palestinian টেরোরিষ্ট ব্লেক সেপ্টেম্বর হায়না খঙনবা গ্রুপ অসিনা ইজরেল ওলেম্পিক টিমগী মেম্বর ১১ অমসুং জরমন পুলিস ওফিসার অমবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। থোকখ্রবা থৌদোক অসিগী মখা তারকপদা পৃথিবীগী মীয়াম পূম্নমক্না শান্নরোইশিংদা খূৎ থাবা মীহাৎ থিনা হাৎপা অসিবু পুন্নাল লাল্লে হায়না ফোঙদোক্নখি, অমুক হন্না তৌদনবা খোল্লাও কয়া লাওরকখি।

ওলেম্পিক্কী ইতিহাসতা থৌদোক অসিনা টেরোরিষ্টনা থোকহনখিবা খ্বাইদগী পেন্দবা থৌদোক ওইরি। ওলেম্পিক ইতিহাসতা নুংঙাইতবা থৌদোক কয়া অমা থোকখিবগী ৱারীদি লৈ অদুবু শান্নরোইশিংবু রাজনিতিগী ওইবদা মরী লৈনহন্দুনা মখোয়–মখোয়গী অপান্বা অনিংবা পাঙথোক্নবদা শান্নরোইশিংবু খুৎলাই ওইনা শীজিন্নরকপা অসিনা মখা অসুম চথরকপা তারবদি শান্নবগী মচৎতা য়াম্না লাইবক থিবা ওইরক্কনি হায়বা পাওজেল অসি পৃথিবীগী মীয়ামদা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা থমখি। থৱাই পোন্থা ওইখ্রবা শান্নরোইশিং অসিবু ইকাই খুম্নবা উৎপা ওইনা ওলেম্পিক গেমস নোংমা পাঙথোকপা লেপখি। মসিসু ওলেম্পিক গেমসকী ইতিহাসতা অহানবা ওইরি।

## য়ু–১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ফাইনেলদা য়ুম্বু ব্রাজিলনা মেক্সিকো লম্বা তৌনরগনি

*গামা, নবেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইরগা চথরিবা য়ু–১৭ ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা য়ুম্বু লৈবাক ব্রাজিলনা মেক্সিকোগা লম্বা তৌনরগনি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা মেক্সিকোনা নেদরলেন্দসপু পেনাল্টি সুট আওটতা ৪–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি। অদুগা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদনা ব্রাজিলনা ফ্রান্সপু গোল ৩–২ দা থোইরম্বনি।

মেক্সিকো অমসুং নেদরলেন্দসনা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসি হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু য়াম্না পাঙ্গল মান্নরকপদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। মেটচকী ৭৪শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা য়োর্নি রেজিরনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

নেদরলেন্দসনা গোল চনখিবা মতম ইকান কান্নদনা মেটচকী ৭৯শুবা মিনটতা মেক্সিকোগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ইফ্রেন অলবারোনা গোল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবা ফাওবদা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নখিদবদগী ১–১ দা মান্নদুনা লৈখিবদগী এক্সত্রা টাইম শান্নরকখি। অদুবু এক্সত্রা টাইমদসু গোল চন্নখিদবদগী পেনাল্টি সুট আওট তৌবদা মেক্সিকোনা নেদরলেন্দসকু গোল ৪–৩ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ব্রাজিল অমসুং ফ্রান্সনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ৭শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই কালিমুয়েন্দোনা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা মাঙজিল থাখি।

১৩শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই এমবুকুনা গোল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি। অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা গোল শোত্থরিবা য়ুম্বু লৈবাক ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চত্থদুনা লাকখি।

মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোই কাইওনা গোল অমা হন্দোকপা হৌখ্রবা মতুং ৭৬শুবা মিনটতা টিমমেট ভেরোননা গোল অমগা চন্দুনা ২–২ দা মান্নরগা লৈখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোইগদবা মিনট অমত্তং ঙাইরবা মতমদা ব্রাজিলগী শান্নরোই লাজারোনা মেটচকী মায় পাকপগী গোল অদু চনবা ঙমদুনা ফাইনেল য়ৌখি।

## ইংলেন্দ য়ুরো ২০২০ দা ক্বালিফাই ওইখ্রে

*লন্দন, নবেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

য়ুরো ২০২০ ক্বালিফায়রগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ‘এ’ গী লীগ মেটচ অমদা ইংলেন্দনা মোন্টেনেগ্রোবু গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইখ্রে।

মেটচ অসি শান্নবা হেক হৌরকপদগী ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা মোন্টেনেগ্রোগী শান্নরোইশিংবু খুদুম চন্দুনা লাকখি।

মেটচ অসিদা ইংলেন্দগী কেপ্টেন হেরি কেননা হেটত্রিক গোল চনবা ঙমখিবনি। ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফ শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা গোল ৫ চনখি। গোলশিং অদু এলেক্স ওক্সলেদ কেম্বরলেন (১১), হেরি কেন (১৯, ২৪, ৩৭) অমসুং মারকস রাসফোর্দ (৩০)শুবা মিনটতা চন্দুনা ৫–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না অদুমক চত্থদুনা লাকখি। মেটচকী ৬৬শুবা মিনটতা মোন্টেনেগ্রোগী শান্নরোই আলেকসান্দরনা শোয়বদগী চনশিনখিবা গোলনা ৬–০ দা ইংলেন্দনা মাঙজিল থাখি। মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোই টেম্মী অব্রাহমনা গোল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অসি ৭–০ দা মায় পাক্তুনা ক্বালিফাই ওইখি।

## ইন্দিয়াগী স্রিকান্থ হোং কোং ওপনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*হোং কোং, নবেম্বর ১৫ (এজেন্সি)ঃ*

হোং কোংদা চত্থরিবা য়ু এস দোলর ৪০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থ ক্বার্টর ফাইনেলদা মায় পাক্তুনা সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থ অমসুং ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন লোং শান্নখি। অহানবা গেম স্রিকান্থনা ২১–১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেম শান্নবা হৌদ্রিঙৈদা চাইনাগী চেন লোং মশা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ইনিদয়াগী কিদম্বি স্রিকান্থ সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা হোং কোংগী শান্নরোই লি চিয়ুক য়িয়ুগা লম্বা তৌনরগনি।

হোং কোংগী শান্নরোই লি চিয়ুক য়িয়ুনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেনবু ২১–১৪, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই অনী ৬শুবা সিদেদ জোনাথন খৃষ্টি অমসুং ৮শুবা সিদেদ এন্থোনী সিনিসুকা গিন্টিং শান্নরগনি।

জোনাথন খৃষ্টিনা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ দেনমার্ককী এন্দর্স এন্টোনসেনবু ২১–১৫, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অদুগা সিনিসুকানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপেগী চৌ টিয়েন চেনবু ৮–২১, ২১–১৯, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সেমি ফাইনেলদা য়ু এসকী ঝাং বৈৱেন অমসুং চাইনাগী চেন য়ুফে শান্নগনি অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা থাইলেন্দগী ইন্টানোন অমসুং জপানগী য়ামাগুচি শান্নরগনি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Keirao Bitra, Imphal East
Ref. : Mutation Case No. 405/SDC/KBT of 2019
Dated, the 15/11/2019

Damanan Laikhuram S/o L. Daya Singh of Wangkhei Tokpam Leikai

Petitioner

-Vs-

(Late) Laikhuram Daya Singh S/o Late Tol Singh of Kongba Bazar

O.P.

**NOTICE**

Keirao Bitra, the 15/11/2019

Under Sect. 46(3) MLR & LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি Imphal East KBT Circle গী Patta No. ...... (অরিবা) 195 (অনৌবা) ......... গী Village No. 58-Langthrei Loukon C.S. Dag No. 1002 an area 0.28000 acre of Anganphou class লম অসিগী Pattadar L. Daya অসি মৃত্যু (Late) ওইখ্রে । মরম অসিনা Pattadar গী মচানুপানা মপাগী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়নননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, KBT Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি । নৎত্রবদি court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই ।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
KBT, Imphal East, Manipur

SL/B(L)(2)/16


### ক্রোসৱার্দ ৩৩৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| L | A | D | S | | A | M | M | O | | L | A | S | T | S |
| A | D | A | M | | V | A | I | N | | A | L | O | H | A |
| R | I | T | A | | A | N | N | E | | P | E | R | I | L |
| V | E | E | R | | R | I | D | | S | E | R | E | N | E |
| A | U | S | T | R | I | A | | B | E | L | T | | | |
| | | | | A | C | C | R | U | E | | | A | H | A |
| R | E | L | A | T | E | | A | S | S | A | S | S | I | N |
| E | V | O | K | E | | A | N | T | | C | H | E | S | T |
| D | E | C | A | D | E | N | T | | G | R | E | A | S | E |
| O | N | O | | | D | E | S | I | R | E | | | | |
| | | | C | R | E | W | | T | A | S | S | E | L | S |
| S | T | R | A | I | N | | M | A | N | | C | L | A | W |
| C | A | I | R | O | | P | O | L | O | | R | O | S | E |
| A | L | L | O | T | | H | A | I | L | | A | P | E | D |
| R | E | E | L | S | | I | N | C | A | | M | E | R | E |


**MANIPUR STATE POWER COMPANY LIMITED**
Keishampat Junction, Imphal – 795001

Corporate Office:- Electricity Complex, Patta No. 1293 under 87(2), Khwai Bazar, Keishampat, Imphal – 795001, Manipur, INDIA
Fax : +91 385 2450702
Tele: +91 385 2450050

**PUBLIC NOTICE**

Imphal, November 15, 2019

No. 16/34/GM(PD)/2018-MSPCL/Pt-I/2626-27 : It is for information to the general public that the stringing of the 2nd circuit of the Yaingapokpi-Kongba-Thoubal-Kakching 132 kV transmission line is being taken up under North Eastern Region Power System Improvement Project (NERPSIP) with World Bank funding to enhance Available Transmission Capacity (ATC) and reliability of the line. The Yaingangpokpi-Kongba section is completed and the Kongba-Thoubal-Kakching section is being planned to start w.e.f. 15th November, 2019 onwards and expected to complete by 15th January, 2020.

During the course of execution, daytime shutdown of the line is required and the daytime power supply from the 132/33 kV sub-station at Kongba & 33/11 kV sub-stations at Langdum, Ushoipokpi, Thoubal Leishangthem, Wangjing, Thoubal, Kasom Khullen, Khongjom etc. covering large areas of Imphal East, Thoubal, Yairipok and Kasom Khullen may be affected during the shutdown period.

The inconvenience caused to the general public and consumers is highly regretted.

Sd/-
(N. Sarat Singh)
Managing Director (MSPCL).

SL/B/16



**REGIONAL INSTITUTE OF MEDICAL SCIENCES: IMPHAL-795004**
**(An Autonomous Institute under the Ministry of Health & Family Welfare, Govt. of India)**

**INDICATIVE ADVERTISEMENT**
Imphal, the 14th November, 2019

No. 237/Pathology-ICMR/RIMS-2019: A "Walk-in-interview" for recruitment of the following post for the Project "Monitoring Survey of Cancer Risk Factors and Health System Response in North – East Region (NER)" at Department of Pathology, RIMS, Imphal under CDC/ICMR/AIIMS New Delhi on contractual basis will be held on 19th November 2019 at 10 am in the Office Chamber of Director RIMS, Imphal. Interested candidates fulfilling the required qualification, experience and age limit may apply for the interview. **Application should be submitted to the Office of the Director, RIMS, Imphal on or before 16th November, 2019. Applications received after 4.00 p.m of 16th November, 2019 will not be entertained.**

| Sl. No. | Name of Post | Consolidated pay (per month) | No. of Post |
|---|---|---|---|
| 1 | Research Scientist – B (Medical) | Rs.63,625/- | 1 |
| 2 | Project Technician Officer (Medical Social Worker) | Rs.32,000/- | 6 |
| 3 | Project Technician III (Laboratory Technician) | Rs.18,000/- | 2 |
| 4 | Project Technician III (Field Worker) | Rs.18,000/- | 2 |

The detail of **Essential Qualification, Desirable Experience & Age Limit** for each of the posts may be seen in the full version of the Advertisement at RIMS website, www.rims.edu.in.

Duration of engagement for all the post is 8(eight) months which is extendible as per requirement of the project and on performance report. The engagement is strictly co-terminus with the project for the period mentioned against the post or till the project is completed, whichever is earlier. The engagement shall be made on finalization of a contract agreement after recommendation of the Selection Committee.

Sd/-
(K. Doungel)
Deputy Director (Admn.),
Regional Institute of Medical Sciences,
RIMS, Imphal

SL/B/16